HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিদা পাঙথোকখিবা কলচরেল ফোরম মণিপুরগী ফেলিসিটেসন অমসুং কুমজা ২০২০গী এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা য়াইস্কুল পুলিস লেনদগী অরিবম ব্রজ কুমারদা ডা. ইবেয়াইমা কলচরেল হার্মোনি এৱার্দ২০২০ খুৎশিন্নখিবা

পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎলকপগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে
☛ লামায় ২

শঙ্গোন্দা ফুম্বা সিন্টেক্সতা লোৎলম্বা য়ান্নবা নোংমৈশিং মীওই ৩গা কোন্ননা ফাগৎখ্রে
☛ লামায় ৩

হৱাই অমদি হঙ্গাম হুনবদা চেকশিনৱা খরা
☛ লামায় ৫

নন-মণিপুরীশিং ভেরিফিকেসন তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি
☛ লামায় ৬

ডা. কৃষ্ণনন্দ সপোর্ট গ্রুপনা শীনবগা লোয়ননা ডোক্টর মশামক্লসু শরুক য়াদুনা শগোলবন্দ খন্নাম লৈরক কম্যুনিতি হোলদা নোংমগী ওইবা ফ্রী আই চেক-অপ অমা পাঙথোক্লুনা মীওই ৬০০ হেন্না লায়েংখিবা



Vol. 45, Issue No. 244 | নিংথৌকাবা, হিয়াঙ্গৈগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, November 29, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

CALL 1950
TO KNOW ABOUT EVM & VVPAT
Chief Electoral Officer, Manipur

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**HL Poll**

Q: Meetei/Meiteibu ST listta chalhanbada atoppa furup singna pishum shukningai oiroi haibasi achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Scheduled tribe listta meetei/meitei chalhangadabani haiba world meetei councilgi manglan election mamangda mangfaonagani khanbra?

Yes 20% No 80%

**অস! লোইরেহে!**

- ময়াম পুন্নমক ঐঙোন্দগী চাবা য়াবা চাবীহৌরো, কাখ্রদি দাই লৈতে।



- সারদি অচুম্বা ৱা য়াম্না ঙাওঙে!

## দেল্লীদা মীতৈ-মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা য়াওহন্নবগী খোঙজং হৌরে

# মণিপুর গভর্ণমেন্টনা রেকমেন্দেসন থাগদবনি হায়দুনা জন্টর-মন্টরদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী মনুংদা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্না য়েলহৌ ফুরুপ অমা ওইরিবা মীতৈ-মৈতৈবু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পীখৎফম থোকপা রেকমেন্দেসন অথুবা মতমদা পীগদবনি হায়বগী দিমান্দ তকশিল্লদুনা ন্যু দেল্লীগী জন্টর-মন্টরদা ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল (দব্লিয়ু এম সী), দেল্লী য়ুনিটনা কাউন্সিল অসিগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিটশিংগী নুপা-নুপী মেম্বর কয়াগা খুৎশম্নদুনা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী সিট-ইন-প্রোটেষ্ট অদুদা ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল, অসাম য়ুনিটকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কাউন্সিল অসিগী ৱাঙাঙলোই নবকিশোর য়ূম্নামনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুবু কভরেজ তৌরখিবা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংদা কাউন্সিল অসিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী মতাংদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কাউন্সিলনা মণিপুরদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিং ষ্টেট অসিগী মীদিয়ানা নীংথিজনা কভর তৌবীদে হায়দুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি অমসুং মরম চাবা মণিপুরগী দিমান্দ অসিগা মরী লৈননা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা মপূং ফানা কভর তৌবীনবা আপীল তৌখি।

ৱাঙাঙলোয়ে নবকিশোর য়ূম্নামনা ৱাকৎ মীফম

### মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরসতা মীতৈ-মৈতৈগী ইথনোগ্রাফিক অমসুং সোসিও ইকোনোমিক রিপোর্ট থানবা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

চত্থফমদা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মীতৈ-মৈতৈবু লৈবাক অসিগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরসনা হৌখিবা কুমজা ২০১৩দা মণিপুর লৈঙাক্কী ওইবা রেকমেন্দেসন তৌরক্নবা খঙহল্লকখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মরী লৈনরিবা মিনিষ্ট্রি অসিদা মীতৈ-মৈতৈগী সোসিও ইকোনোমিক কন্দিসনশিং য়াওনা পীগদবা রেকমেন্দেসন অদু পীদদুনা লৈরকপনি হায়খি।

মণিপুরগী পাক চাউবা স্কৱার কিলোমিটর লিশীং ২৩ লোম ওইরবসু হৌজিক মীতৈ-মৈতৈনা শুপ্নতগী স্কৱার কিলোমিটর লিশী ১৮ লোমদমক শীজিন্নরি অমসুং য়েলহৌ ফুরুপ ওইজরিবা মীতৈ-মৈতৈনা চীংদা কাদুনা লম লৈবা অমসুং চীংগী লমদা লৌউ-শিংউগী থবক চত্থবা য়াদ্রি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

কাউন্সিল অসিনা চত্থরক্লিবা খোঙজং অসি মীতৈ-মৈতৈবু হিংহন্নবগীদমক্তনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতমদগী হৌরদুনা নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা চত্থখিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

HL-P/7272/10th Nov to 10 Dec.

# চাওখৎ থৌরাং পায়খৎতুনা অওনবা ৱাংখেম এ সী ওইহনগনি : জিবন

### ৩২ - ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি

**মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ**

**ডা. খাইদেম অথৌবা**



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা ৩২-ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ ওইগনি হায়না চোংথোকরক্লিবা খরিবম জিবন (৪৮) না করি করম্বা ৱাখল্লোলদগী পোলিটিক্সতা করিগীদমক খোঙদারক্লিবনো অমদি ৱাংখেম এ সীগী অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌবা পাম্লি হায়বগী মতাংদা পাউচে অসিগী 'মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অনৌবা মায়থোঙ' হায়বা কেন্দিদেট ওইগদৌরিবশিংগী ৱাখল্লোল ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্ননবগী চৎথরিবা খোঙচৎ অসিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২




